FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.569710
US Dollar	75.596223
British Pound	99.856577
Australian Dollar	54.023204
Chinese Yuan Renminbi	11.858897
Japanese Yen	0.666999
Malaysian Ringgit	17.928926
Singapore Dollar	55.388516
South Korean Won	0.064252
Saudi Arabian Riyal	20.158993
Thai Baht	2.252691

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47668.00
Mumbai	–	Rs	48480.00
Delhi	–	Rs	48368.00
Kolkata	–	Rs	48790.00

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL BK. UPTODATE
TIMING:6AM TO 10AM
HOME DELIVERY NO : 9366471778, 8974087390, 8787632782
M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPT27/10/21
VALID FROM20/10/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
BOOKING-- UPTO DATE(14.2KG) ***19KG
AVAILABLE FOR DELIVERY SERVICE
PLEASE CONTACT -7085738631OR 8119967523
CALL TIMING:8:00AM TO 2:00PM.
JRONGMEI SK INDANE WANGOI,
BKING UPTO 15/9/21
VALID FROM 14/9/21.
STK 306,
TIMING-6AM TO 9AM.
HOME DELIVERY
(CONTACT NO. 8119073029/8974426830)
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 02/11/21
VALID FROM 27/10/21
(SL.NO.101)
TIME: 11 AM TO 2 PM
ANY ENQUIRY AND BOOKING
CONTACT NO. 7629045883
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto 06-11-2021,
VALID FROM 30-10-2021,
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7AM T0 10AM
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTODATE
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
FIRST COME FERST SERVED
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00 am.
IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only) Ujjwala connection available 23-11-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app> It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.
HIYANGTHANG INDANE.
Booking 08-11-21.
Valid.04-11-21. **Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 17/11/2021
BOOKING UPTO: 18/11/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei,Mongjam (9863385995),
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc.(8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou,Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676) 6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195) 8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 21/11/2021
Valid from 29/10/2021

সুপ্রিম কোর্টনা জজমেন্ট...

*লামায় ১গী মখা...*এম এল এ দি দি থাইসিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১৫১ ওফ ২০২১, ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং অতোপ্পা অমনা কোংগ্রেস এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা স্পেসল লিভ পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২০০১-২০০৫ ওফ ২০২১ অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইবা য়াওরুবা খুরাইগী এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো মৈতৈ (য়াইমা) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা সূর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা এস এল পি (সী) নম্বর ২৩৮৬-২৩৯০ ওফ ২০২১নি।

মেট্টর অহুম্মক ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা হান্না পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাও, জষ্টিস বি আর গভাই অমসুং জষ্টিস বি ভি নাগরঠনাগী বেঞ্চতা পুল্লপ লিষ্ট তৌখি।

এপেক্স কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর দি দি থাইসিগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল নরেন্দর হুদানা লুচিংবা কাউন্সেলশিংনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ইস্যু অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণরনা মহাক্কী ওইবা ৱাফমশিং কোর্টতা সবমিট তৌরক্লবনিনা মহাক্কী পিটিসন অসি 'ইনফ্রক্সস' ওইরে হায়রকপদগী কোর্টনা দিসমিস তৌখি। অদুম ওইনমক লেমহৌরিবা এস এল পি অনীগী মতাংদদি কোর্টনা পার্টি পূম্নমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী অর্গ্যুমেন্টশিং তারবা মতুংদা এস এল পি অনীসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌরে হায়দুনা লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপচিনবগী থবক অদু সেপ্টেম্বর ১৭, ২০২০দা ইনভেলিদ অমসুং অন কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়খ্রবা মতুংদগী এপেক্স কোর্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা মেট্টরশিং অসি ফাইল তৌনরকখিবনি।

চৈরক্তুদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জন্যুৱারী ১৩, ২০২১দা মখোয়গী ওইবা ওপিনিয়নশিং মণিপুরগী গভর্ণরদা পীরকখ্রবনি। অদুবু মেট্টর অহুম্মক এপেক্স কোর্টনা লৌখৎতুনা থেঙ্খাং নাইনা মসিগী ৱায়েলশিং চথরকখিবদা মণিপুরগী গভর্ণরগী মায়কৈদগী মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোঙদোরক্তবদগী সুপ্রিম কোর্টনা পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না ঙরাং গভর্ণরগী ৱাফম অদু লানখৎখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগা মরী লৈনবা মেট্টরশিং খন্নদুনা রিজর্ভ তৌখিবগী মতাংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হরেশ্বর গোশ্বামিনা থোরকখিবা চেরোল অমদা মেট্টর অসিগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং লোইশিল্লক্লে। ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং পাঙথোক্লবা মতুংদা মরী লৈনবা কেসশিংগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌখ্রে হায়দুনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা তংদু লৈতাহন্নবা...

লামায় ১গী মখা... থবক পুলিসকী মায়কৈদগী কন্না চথরি হায়খি।

অমরোমদা, লোনা য়াদবা লালহৌবশিংগী নোংমৈ অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া পৈশিনবা মফমশিং থিগৎতুনা থুগাইনবা হোৎনরি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী পুলিসনা থি হুমদুনা য়াল্লবা নোংমৈ অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী ৱাফম মীয়াম্না থেংনখ্রবনি। পুলিস পর্সনেলশিংনা অয়ূক-নুংথিল নাইদনা লমদম অসিবু ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবা লমদম অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না পুলিসপু মতেং পাংবীয়ু। মরালবু লৈরবদি মরালদুগী মতুংইন্না লোগী ওইবা থবক লৌখৎকনি। মসিদা কনাগুন্বা অমগী প্রেসর লৈতে, লৈফমসু থোক্তে, মতুংদসু ফাগৎলকখিগনি। থবকসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা প্রেসর লৈতে। ব্যুরোক্রেট ওইগেরা, ইলেক্টেদ ওইগেরা লোগী মমাঙদদি চপ মান্নে। সোসল মীদিয়া অসি অফবা মওংদা শীজিন্নবীয়ু হায়খি।

কম্মান্দোনা বিমোল ফাখিবগী...

*লামায় ১গী মখা...*অইবা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

ৱাই বিমোল মৈতৈগী মচানুপী য়ূমখাইবম তম্ফানা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা থৌদোক অদুগী মতাংদা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে। মহাক্কী পিটিসন অদু দি জি পি, মণিপুর, এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং লিলোং পি এসকী ও সীবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অদু কম্মিসননা ঙসি কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ১৫৯ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা কেস অদুগী প্রোসিদিং চথখ্রে। লোয়ননা কমপ্লেন্ট অসিগী মতুংইন্না প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১২গী মতুংইন্না প্রাইমাফেসিগীদমক ইনক্কারি তৌনবা কমপ্লেন্ট কেস ওইনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা দি জি পিদা কমপ্লেন্ট অসিগা মরী লৈননা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টনা কম্মিসনদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ফাইল তৌবা পিটিসনগী পিটিস্নর ওইরিবী ৱাই বিমোল মৈতৈগী মচানুপী ৱাই তম্ফানা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসতা মহাক্কী অপোকপা মপাবু কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদুনা ফাদুনা পুবিখ্রে অমসুং মহাক ফাখিবা মতমদা এরেষ্ট মেমোনচিংবা পীরমদে। অদুগা পুং ২৪গী মনুংদা মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোকফম থোল্লবসু পুথোরক্ত্রে হায়দুনা ৱাকৎখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপরগী চীফ জষ্টিসতা ঙরাং পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা মহাক ফাখিবা নুমিৎতুমক্কী অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো কমপ্লেক্সতা চৎখি অদুবু মহাকপু কমপ্লেক্স অদুদা চঙহল্লক্তবগা লোয়ননা মহাক্কী অপোকপা মপাগসু উনহল্লকখিদে হায়রি।

মরম অসিনা থৌদোক অসি হ্যুমেন রাইটস/লোবু খোঙ্গাওনবা থৌওংনি হায়রদুনা খুদক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খুৎ থিংজিন্দুনা লৌখৎপম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়জখি হায়রি।

লৈঙাক্না অফস্পা লৌথোক্লবা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইরব্রা হায়বদুসু নৎত্রি। মনীং তন্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরন্বা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লে। মসি ওইরবদি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংনা ফংলিবা সিটিজেন অমা ওইবগী, মান্নবা খুন্নাই অদুদদি লৈত্রি। বেঙ্গলি মচানা ইন্দিয়াগী লাম্নীগী মকোক ওইরি, সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরি, গভর্ণর ওইরি অমসুং এম্বেসেদরনচিংবসু ওইরি। চপ মান্নবদা টামিল নাদু মচাসু ওই অদুবু মণিপুর মচা অমত্তনা গভর্ণর ওইদ্রি অমদি এম্বেসেদর ওইদ্রি। লৈবাক অসিগী লৈঙাকপদা য়াওদ্রি। মশ্বাইদা হন্থবা মীৎয়েং অমা মমা পোক্তবীদৌনা য়েংদুনা লৈরি। ঐখোয়সি ইন্দিয়ননি হায়রবসু মান্নবা থাক অদুদি পীদনা লৈরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরবদি অফস্পা লৌথোকউ, হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংউ, ইন্দষ্ট্রিশিং লিংখৎতুনা মীওই লাক্ষ ৫দগী ১০ ফাওবগী থবক পীবা য়ানবা শেমগৎলু, থোং শাবা, লম্বী শেন্বা, চেঙ য়েনবা, বিল্ডিং শাবশিংগা লোয়ননা চীংমী-তম্মী ইচিন ইনাওনি তিন্নবা য়ারে হায়বা খক্তনা লৈবাক্কী থবক নত্তে। থবকশিংসিদি লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা মথৌনি। অওনবা অমসুং অহোংবা মীয়ামগী লৈঙাক হায়বদু হৌজিক ফাওবদা লৈত্রি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরদগী লৈখিদ্রবা আর কে জয়চন্দ্র য়াওনা থৌনাওজম চাওবা, হৌজিক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরিবা আর কে রঞ্জন্নচিংবশিং সেকেন্দ ক্লাস মিনিষ্টর ওইনা থম্বীরি। অসিগুন্বা ময়ামসিনা অফস্পা থম্লগা মিলিটরি রুলগা মান্নবা মার্সেল লোগী ফীভম ওইহল্লিবসি তৌরোইদবনি। কুমজা ১৯৪২দা বৃটিশনা অফস্পাবু ওর্দিনান্স ওইনা মহাত্মা গান্ধীগী খোঙজং, নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী আই এন এ থিংনবা হোৎনবদা মতম খরা, মফম খরদা থমখিবনি। মদুগী মতমদু লোইখ্রে। মতমদুদা থমখিবদুসু মী হাৎনীংবদা হাৎপা, ওৎনীংবদা ওৎপগী অয়াবা কেপ্টেন অমদা পীবনি। হৌজিক চৎনহল্লক্লিবা অসিনা মদুগী পৱারদু হবিলদার অমদা শীন্নবনি। অৱাং নোংপোক্কী ওইনা য়েংলবসু নাগা হোষ্টাইলশিংগী ঈহৌ লাকপদগী থমখিবনি। মরম অসিনা দিষ্টর্ব এরিয়া লৌথোকসি, মণিপুর অফস্পা লৈতবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়খি।

মেঘালয়া অমসুং নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা অফস্পা লৌথোকউ হায়খ্রে। মাওইষ্টকী ঈৱাং লৈবা মফমদা অমুক্তদা মী ৭০/১০০ হাৎপা য়াওখ্রে। অদুবু চিদম্বরমনা হোম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা পাউমীশিংদা হংবদা মফমশিং অদুদা অফস্পা থল্লোই, ইচিন ইনাও ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। মণিপুরদগী অফস্পা থন্বগী মতাংদা হংবদা মতম লৈত্রে হায়দুনা চৎখিবনি। অদুনা হৌজিক সেন্টরনা হন্থবা মীৎয়েংদা থল্লিবা অসিদগী ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন, ফ্রীদম ওফ স্পিচ হায়রিবসিদা ফাবা-পূনবা কয়া থোক্লিবসিগী মায়োক্তা কম্মিসনদা ৱাকৎলক্কদবনি। মী ফারগা য়ু জিনি হায়বা অদু মরী লৈনদে হায়দুনা শেংদোরক্লবদি মরম চাদনা ফাবগী কম্পেন্সেসন তান্নবগী লো লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা ...

লামায় ১গী মখা... লো হায়রগসু খঙনরিবা টেন্থ সেদ্যুলগী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মখোয় অনীগী মথক্তসু স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রবনি। মখোয় অনীনা নোটিসশিং অদুগী পাউখুম থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংনা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কনি হায়নসু মাঙজৌনন্না খঙহনখিবা লৈরবনি।

অদুম ওইনমক ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমনা পোলিটিকেল পার্টি অমদা চোঙশিনবগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা অহানবা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিং ওইরবা ত্রাইব্যুনেলগী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা থবক অসি দিসক্কালিফিকেসন ওন গ্রাউন্দ ওফ দিফেক্সন রুলস, ১৯৮৫বু পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী পেরা ৮গী মখাদা শেমদুনা পার্লিয়ামেন্টতা দিসেম্বর ১৬, ১৯৮৫দা পুথোল্লবা মতুং মার্চ ১৮, ১৯৮৬তগী লৈবাক অসিদা এন্টি দিফেক্সন লো অসি চৎনবা হৌরকখিবনি। লো অসিগী অকক্লবা প্রোভিজন খরদা পোলিটিকেল পার্টি অমগী ইলেক্টেদ মেম্বর অমনা মশামক্কী পার্টিদগী দিফেক্ট তৌরগা অতোপ্পা পার্টি অমদা চোঙশিনবা/য়াওশিনবা খক্তা নত্তনা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিংনসু পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওশিল্লগদি মহাক্কী মথক্তসু দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিং লৌখৎপা য়াই হায়বসি টেন্থ সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিংদা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। অদুবু মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নকশিল্লকপগী মাঙওইনন্না বি জে পিদা চোঙশিন্নখ্রবা এম এল এশিংগী মনুংদগী কোংগ্রেস এম এল এল ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমগী মথক্তা পিটিসনশিং ফাইল তৌনরকপদগী স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিং লৌখৎচরবসু ২০-লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ করাম শ্যামগী মথক্তদি ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা মহাক্কী মথক্তা দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং লৌখৎপীয়ু হায়বগী পিটিসনশিং ফাইল তৌরকপা লৈখিদ্রি।

পনবা য়াবদি, লিলোং হাওরৈবি ময়ায় লৈকায়দগী এম এল এ, ৱাই অন্তাস খান অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অলাউদ্দিন খানবু দিসক্কালিফাই তৌবীয়ু হায়দুনা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নরশিং অদুনা লিলোং চীংখম মখাদগী এম দি অজিম হুসেন অপোকপা এম দি হেফাজউদ্দিন অমসুং লিলোং চাওবোক মাইরেন খুন্দগী এম দি ইরসদ হুসেন অপোকপা এম দি অবদুল ৱাহিদনি অদুগা মখোয় অনীগী পিটিসনশিং অদুগী মতুংইন্না স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা এম এল এ অসিগী মথক্তা লৌখৎখিবা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদুগী নম্বরনা ৩ ওফ ২০২১নি।

কোন্থৌজমবু মীমান্নবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ওইহল্লমগনি...

লামায় ১গী মখা... মরাং কায়না লৈজবা ঙমদ্রে। অসিগুন্বা হীরম কয়াদা শোৎথনা লৈরিবা অসি এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা মেনখৎপা ঙম্নবা হোৎনগে হায়বগী ৱাখল্লোলদা ভোট লেপ্পগী লন্বীদা চঙশিল্লকপনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি প্রোপেগন্দাদি য়াম্না হৈবা অদুগা চিনগা খুৎকা মান্নদবা লৈঙাক অমনি হায়জনিংই। হায়বদনা পঙহাইদা হায়বা অদুগা থবক তৌথোরকপদনা মওং-মরিল তানা তৌদে। হৌজিক বি জে পিগীনি হায়দুনা লৈরল্লিবা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা লুচিংবা কয়া কোঙ্গ্রেস পার্টিদা য়াওরন্বা কয়াসু য়াওরি। মখোয়না পার্টিগী ওইবা প্রিন্সিপল কয়া থুগায়দুনা অতোপ্পা পার্টিদা য়াওখিবসি নুংঙাইতবা ফাওই। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি লমদম অসিগী চাওখৎনবা থবক কয়া তৌগনি চিন্দা হায়রিবা অসিগুম্না থবক্তা ওন্থোক্তুনসু তৌহন্নিংই। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবগী ৱাফম অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মানা তৌবনা মানা ফংই হায়বদুনি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করন্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করন্বা ইস্যুদা যূম্ফমদা মীখল লান্থেংনগে খনবিরি।

পাউ : লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোঙ্গ্রেসকী টিকেটতা কোন্থৌজম এ সীগী মীরেপ অমা ওইনবগী চপচনা থৌরাং তৌদুনা লৈজরে। মরুওইনা এ সী অসিগী হীরম কয়াদা শোৎথনা লৈরিবা ফীভমশিং অসি অথুবা মতমদা অওনবা-চাওখৎপা অমা পুরক্কবগী থবক তৌবদা যুন্ফম ওইরগা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুন্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করন্বা থবক তৌগনি?

পাউ : করিগুন্বা এ সী অসিগী মীয়াম্না মতম কয়াদগী কৎথোকপা অমগা লোয়ননা পায়খৎচরক্লিবা থবকশিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নদুনা অওনবা কোন্থৌজম এ সী অমা হোৎনদুনা লাকচরিবা অসিবু খঙবি-উবিরদুনা মীহুৎ অমা ওইহল্লবদি অহানবা থবক ওইনা এ সী অসিগী ফীভম য়াম্না শোক্না লৈরিবা লন্বী-থোংগী ফীভম অসি শোয়দনা মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎকনি। ৱাটর সপ্লাইগী খুদোংচাবা লৈনা-লৈনা এ সী অসিগী মীয়াম্না থক্কনবা অফবা ঈশিং ফংদনা লৈরিবা অসি য়ুমথোং খুদিং ফংনবা হোৎনগনি। এ সীগী মীওই চাদা ৮০দি লৌউ-শিংউদুনা হিংজবা মীওই ঙাক্তনি। অদুবু লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা ঈশিং, হার অমদি তোঙান-তোঙানবা মচাকশিং ঙসিসু অদুমক মতম চানা ফংদনা লৈরি। অসিগুন্বা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াশিং অসি লৈহন্দনবসু হোৎনদুনা কোন্থৌজম ফাওদুনা চৎলিবা কেনেলবু নীংথিনা শেংদোক্তুনা লৌমীশিংদা ঈশিং মতিক চানা ফংহনগনি।

ৱাহং : নিংতন্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরন্বা য়াই?

পাউ : ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অমনি। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিং অসিগী লোয়না তোঙানবা ৱাখল্লোল লৈ অমদি তোঙান-তোঙানবা দিমান্দশিং লৈবনা পুন্না চুংশিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবা ঙমদনা লিশাং শিংনা লাকখিবা মরম্না ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর শোৎথনা লৈরন্বগী খ্বাইদগী চাওবা মরম অমনি হায়জনিংই।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ঐহাক গ্রেজুএসন লোইশিনখ্রে। অপোকপগী মীংনা লাইশ্রম বিধু অমদি অপোকপীগী মীংনা লাইশ্রম ওংবি মণি কৌই।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : এ সী অসিগী টোটেল ভোটর হৌজিকমক্কী ওইনা লিশিং ২৮ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৪১ নি। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐনা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌজগে হায়জখ্রিবা থবকশিং অসিদা চান্মদা চান্মা তৌবা ঙমগনি হায়বদি হায়রোই, মীয়াম্নসু থাজবিরোই। অদুবু ঐগী ওইনদি শুংশোয় শোয়দনা চান্মদা ৯০দি পাঙথোকপা ঙমগনি। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি এসেমব্লিদা এ সীশিংগী এম এল এশিংনা ৱা ঙাঙবগী অমদি খন্ন-নৈনবগী মতম পীবিদ্রিবা অসি করিগুন্বা মীয়াম্না মীহুৎ অমা ওইহল্লবদি স্পিকর এম এল এশিং অদুনা পুখৎনিংলিবা ৱাফমশিং অদু চপচানবা পুখৎপা ঙম্নবা মতম পীবিনবসু তকশিনগনি। মরমদি য়াম্না তাংনা ফংবা এসেমব্লিগী মতমদা পুখৎতুনা খন্ন-নৈনহৌদ্রবদি করন্বা মতমদা খন্ন-নৈনগদৌরিবনো হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না খন্থমিন্নসি।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাওনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাওনদ্রিবা লন্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : সোসল ৱার্কর অমা ওইনা থবক কয়া তৌদুনসু লাকখি। অদুবু লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা ঐখোয়না মীয়ামগী মপুং ফানা থবক কয়া তৌজনিংলিবশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা মরি লৈনবশিংনা ঐখোয়গী ৱা মপুং ফানা তাবিদে। লোয়ননা লৈঙাক্তা য়াওশিন্দুনা লমদম অসিগী নহাশিংদা, নুপা-নুপী কয়াদা অমদি লৌমীশিংদা গেরেন্টর চঙহন্দনা লোন কয়া পীথদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবদা মীচম অমা ওইনা তৌবা ঙমদে। লোয়ননা লৈবাক্কী চাওখৎনবা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদবা য়ারক্তবা মরম্না থম্মোয়না তশেংনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌবা পামজরুবদগী পোলিটিক্সকী লন্বী অসিদা চঙশিল্লকপনি। লোয়ননা মীয়াম্নসু মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কীদমক তৌজনিংলিবা থবকশিং অসি উবিরদুনা এ সী অসিগী মীহুৎ অমুক্তংদি নহাক্না ওইদুনা থবক তৌ হায়বিরকপ্নসু ভোট লেপ্পগী অচৌবা মরম অমনি। নৎত্রবদি ভোট লেপ্পমদ্রবসু অদুমক য়াবজাৎনি। মীয়ামগী থৌজাল য়াওদনা মীহুৎ অমা ওইবসু ঙম্লোই। মীয়ামগী থৌজালনা পোলিটিক্সকী লম অসিদা খোঙদারকপনি।

ৱাহং : করপসন চাওনা লৈরে পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : করপসন লৈরিবসিগী মরম কয়া অমদি লৈ। অদুবু ইলেক্সনদা কেন্দিদেটশিংনা শেল য়াম্না চঙহনবা অমদি মীয়াম্নসু ভোটকী মতমদা কেন্দিদেটশিংদা শেল য়াম্না চঙহনবা মরম্না কেন্দিদেটশিংনসু চঙখিবা শেলশিং অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মথংগী ইলেক্সন থেংননবগীদমক চঙলক্কদবা শেনফমশিং তুংশিন্নবা হোৎনরকপদগী করপসনগী থবক অসি চাওনা হেনগৎলকপনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা লমদম অসিদগী করপসন হন্থহন্নবগীমক মায়কৈ অনীমক্তগী ৱাখল তামিন্নদুনা ভোটতা শেল চঙহন্দবনা ফগনি হায়না খল্লি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্না থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরন্বা য়াবগে?

পাউ : তশেংনা হায়রবদা লায়রবা মীওইশিংনা দ্রগ ললোনবগী থবক তৌবা ঙন্বা নত্তে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু কনাগুন্বা লৈবাক্কী ফমদোন-ফম্নাইবা কয়াগী মরুমদা মখোয়গী মতেং য়াওনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ললোনবগী থবক তৌনৈ হায়বসি খঙনরবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা লুচিংবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা হকচিন্না লৌদুনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবা চঙই। মদু নৎতদনা হৌজিক চৎথরিবা ট্রেন্দ অসিদা অদুমক মখা তানা চৎথরবদি খুন্নাই অসি মহাম চেল্লবা খুন্নাই অমা ওইহৌরগনি। মী লৈবগী পোলিটিক্স তৌরিবনি, মী লৈত্রগদি পোলিটিক্সসু তৌবা য়ারোই অমদি লৈবাক হায়বা অসিসু লৈরোই হায়বসি লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা খঙবিগদবনি। চুম্লম্বসু য়াই অমদি লাল্লম্বসু য়াই মীয়াম্না হায়নবা ৱাফমনি। মদুদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক ফংদ্রবদি থিংলিবা মীওইশিংদা কদাইদা ফংগনি হংউ হায়নরিবা ৱাফমশিং অসি থোক্তনবা ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করন্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : লমদম অসিগী নহা খুদিংদা গভর্ণমেন্ট জোব পীবা হায়বসি লৈঙাক অমত্তনা ঙম্লোই। অদুবু ঐখোয়গী নহাশিংনা মানা-মানা পামজবা লন্বীশিংদা শেন্থোক লন্বী লৈজদুনা মরোমদোম লেপচদুনা হিংবা ঙম্নবগী থবক্তি লৈঙাক্না তৌগদবনি। মরম অদুনা মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংনা মতমগা চুনবা ফেক্টরি, ইন্দষ্ট্রি, কম্পনি অমদি টুরিজম সেক্টরনচিংবা হীরমশিংদা মায় ওনশিন্দুনা থবক তৌবিরবদি লমদম অসিদা লৈরিবা অনইমপ্লোয়মেন্টকী লৈরিবা প্রোব্লেম অসি খরা মখৈদি শোয়দনা কোকহনবা ঙমগনি খল্লি।

ৱাহং : ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা করি-করন্বা শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা ৱাফমগদি লৈব্রা? করিগুন্বা লৈরগদি হায়বিয়ু।

পাউ: পোলিটিকেল পার্টি অমা হেক্তা ওইসনু লৈবাক্কীদমক পায়খৎপা থবক খুদিংদা পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংই। লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা লো শেন্বা মতমদসু মীৎয়েং শান্না চহী কয়া চৎনবা য়াগদবা পোলিসিশিং শেমহন্নিংই। অদুগা মমাংগী লৈঙাক অমনা মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়দুনা শেল্লবা লোশিং অতোপ্পা পার্টি অমগী লৈঙাক লাক্লগা অমুক লো অদু শেমদোক-শেমজিন তৌবগী থবক তৌজহন্নিংদে। মদুনা লৈবাক মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা চাওখৎপগী লন্বীদা থিন্থবা হায়বদু ওইগনি। লমদম অসিগী ওইনসু পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তগী মীয়ামগী ৱাখল্লোল চেনবা, মরৈবাক মরমদমবু নুংশিজবা, লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈবা, থৌনা লৈনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা ঙমগদবা মীওইশিং লৈবাক মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা খল্লহন্নিংই।

অপূনবনা মায় পাক্কনি : কোরকোম...

লামায় ১গী মখা... থুগাইরক্লি। অদুবু ইরৈচাশিংগী মরক্তা ফনা কন্না বালকানাইজেসন তৌনবা হোৎনরবসু মণিপুর (কংলৈপাক) তা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংনা ঙসি ফাওবা কাঙলূপকী ওইবা মুক্নবা অদুদগী নাম্থোকপা ঙমদুনা লাক্লি। হন্দক্কী ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেদা থল্লিবা 'ইকেলিটি-মান্নবা' হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা য়েলহৌমীশিংগী পল্লেপফম খঙদনা নাথৈবীরবা মনিংতন্বা হায়বদি রাইট টু সেল্ফ দিটরমিনেসন (আর এস দি) অদুবু নৌহৌননা ময়োল চোংহল্লে। হীরম অসিগা মরী লৈননা পনবা য়াবদি, সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট গোল্ডস (এস দি জি) গী কুমজা ২০৩০ ফাওবদা মঙফাওনগদবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। পান্দম অসিদা 'লিভিং নো ৱান বিহাইন্দ : ইকেলিটি এন্দ নন-দিসক্রিমিনেসন' হায়বদি য়েলহৌমী 'কনাগুন্বা অমত্তবু নাথৈরমদবা অমদি মীওৎ মীনৈ লৈহন্দনা' হায়বা ফিরেপ অসি য়াওরিবনি।

য়েলহৌমী কনবগী ৱাফম অসি য়ু এন দিক্লারেসন ওন দি রাইটস ওফ ইন্দিজিনস পিপলস (য়ু এন দি আর আই পি), ২০০৭তা ময়েক শেংনা পল্লি। ইন্দিয়ানা মালেমগী মীয়ামদা ইন্দিয়া পূন্বদা লৈরিবা কাঙলূপ খুদিংমকপু ইন্দিজিনস পিপল হায়বদি য়েলহৌমী হায়জিন্দুনা ৱেসিয়া লমদমদা মশীং য়াল্লবা মীয়ানচা থাজিল্লক্তুনা খুন্দারিবা মীওইশিংবু মুখৎনবা হোৎনরি। অদুগা মসিগী মথক্তা য়ু এন দি আর আই পিগী সিগনেটোরি ওইরিবা ইন্দিয়ানা মশাগী কন্সটিট্যুসনদা ইন্দিজিনস - য়েলহৌমী হায়বা ৱাহৈ অসি ঙসি ফাওবা শক খঙবীদনা লৌনম তৌদুনা থল্লি।

ইন্দিয়াগী য়াম্না লুজদবা থৌওং অমদি মণিপুর (কংলৈপাক) কী নীংতন্বা হঞ্জিন্নবগী ঈহৌ অসিবু মালেমগী মীয়ামদা টেররিজম ওইনা উহন্নবা হোৎনবা অসিনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স চার্টর অমদি ইন্টরনেসনল কোভিনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটস (আই সী সী পি আর) ১৯৬৬ না আর এস দি অসিবু 'রাইট ওফ দি পিপলস' হায়বদি মীওইবা পূম্নমক্কী হকনি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। আই সী সী পি আরগী আর্টিকল ১গী মতুংইন্না ওল পিপলস হেব দি রাইট ওফ সেল্ফ দিটরমিনেসন বাই ৱ্হুচ ওফ দেট রাইট দে ফ্রীলি দিটরমিন দিয়র পোলিটিকেল ষ্টেটস এন্দ ফ্রীলি পর্স্যিয়ু দিয়র ইকোনোমিক, সোসল এন্দ কলচরেল দিভেলপমেন্ট হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা পল্লদুনা মালেমগী নমথবীরবা ফুরুপচাশিংদা নীংতন্বা তাঞ্জবগী হক অদু চাউনা পীরি হায়রি।

আর এস দিবু শৌগৎপগী পথাপ য়াওনা আই সী সী পি আর অসি ইন্দিয়ানা এপ্রিল ১০, ১৯৭৯দা মশানা য়ানা রেটিফাই তৌখ্রবনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা মনীংতন্বা ফংখিবা লৈবাকশিং অসি হায়রিবা আর এস দিগী কাঙলোন মতুংইন্না পীখিবনি। ইন্দিয়ানা য়ু এন চার্টরবু ইনগনি হায়বা খুৎয়েক পীরবা লৈবাক অমা ওইবনা মালেমগী আর এস দিগী কাঙলোন অসি ইকায়খুম্নফম থোকপনি। মণিপুর (কংলৈপাক) অমদি জম্মু অমসুং কাশ্মীরগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগা শাগোন্নবা হীরমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফম্বাক্তা মতম মতমগী ৱারোল কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

আর এস দিগী ৱাফম অসিবু নাথৈবা য়ানবা ঙসিগী ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল অমদি এক্সটর্নেল সেল্ফ দিটরমিনেসন হায়না খায়দোক্তুনা ৱেসিয়াদা মনিং তম্না লৈজরন্বা মণিপুর (কংলৈপাক) কী মনীংতন্বগী ৱাফম্বু লো এন্দ ওর্দর অমদি ইন্দিয়া মনুংগী ৱাফম অমা ওইনা মালেমগী মীয়ামদা উৎ চাইরি।

-মথং-মথং

ꯀꯤꯡꯗꯝ
KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 (Govt. of Manipur)
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)

APPLY NOW ! **AVIATION COURSE**
Starts from 20th Dec 2021
CABIN CREW, GROUND STAFF TRAINING
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe

Competitive Exam Courses
GFC (General Foundation Course), Banking, SSC, NDA, CDS, (State and Central Job Exams)

SPOKEN ENGLISH and COMPUTER CLASS
for Children Class VI to X

COURSES AVAILABLE (for all ages)
SPOKEN ENGLISH, SPOKEN HINDI
COMPUTER (NIELIT), STOCK MARKET

Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
- 21 yrs Teaching Experience
- 3 months at IT Call Centre as a Trainer
- 1 Month in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- 2 Months at AIR (All India Radio) Imphal
- Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)

Special Coaching Class For Juniors (Both for Boys & Girls)
JNV (Novodaya), SAINIK (Class VI)
RIMC (Rastriya Indian Military College) Class VIII
Instructors:
Former Students of RIMC, SAINIK & JNV (Navodaya), Ex SSB Officer (Highly qualified & Experienced)

Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 7005157041